# গান্ধী ফেমিলিদগী এস পি জি সেক্যুরিটি কোভর লৌথোকখ্রে, হৌজিক জেদ–প্লস সেক্যুরিটি পীরগনি



***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

হোম মিনিষ্ট্রিগী লিখুনশিংগী মতুং ইন্না গান্ধী ইমুং–মনুংনা স্পিসিয়েল প্রোটেক্সন গ্রুপ (এস পি জি)না পীরম্বা সেক্যুরিটি অদু মখাতানা ফংলরোই, হিরমসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, মহাক্কী মচাশিং–রাহুল গান্ধী অমসুং প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রাদা হৌজিক জেদ–প্লস কেটেগোরিগী প্রোটেক্সন ওইনা পীরগনি। গান্ধীশিংগী নক্নবা লিখুনশিংনা ফোঙদোকপদা ৱাফম অদু মখোয়দা পাউ পীরকপা লৈখিদে অমসুং মেদিয়াগী পাউশিংদগী খঙখিবনি হায়খি।

হন্দক্তা তৌখিবা সেক্যুরিটি রিভ্যু অমগী মতুংদা ৱারেপ অদু লৌখিবনি হায়না গভর্ণমেন্টগী লিখুনশিং অদুনা হায়খি।

পার্সোন্নেল ৩,০০০গী ইলাইট ফোর্স অমা ওইরিবা এস পি জিনা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি খক্তমক ঙাকপগী থবক্তা শিজিন্নগনি।

জেদ–প্লস সেক্যুরিটি হায়রিবসিদা গান্ধীশিং অদুবু সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)কী পার্সোন্নেল ১০০রোম ঙাক্লগনি। ১৯৯১দা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজিব গান্ধী হাৎখিবা মতুংদগী এস পি জি কোভর মখাদা লৈরকখিবা গান্ধীশিং অদুগী সেক্যুরিটি হন্থহনবা অমা ওইনা কোংগ্রেস লূচিংবশিংনা উবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অসিদা অচৌবা পোলিটিকেলগী নৈনফম অমা ওইরকপা য়ানা লৈরি।

বি জে পিনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অনীগী ইমুং–মনুংগী মীওইশিংগী পূন্সিবু টেরর অমসুং ভাইওলেন্সকী থবকশিংদা কম্প্রোমাইজ তৌনহন্দুনা অরোইবা লন্নাইগী লমন খুন্নবগী মেকানিজম অমদা চত্থরক্লে হায়না সেনিয়া গান্ধীগী নক্নবা তেংবাংবা অহমেদ পতেলনা হায়খি।

ইন্দিরা গান্ধীবু মহাক্কী বোদিগার্দসশিংনা হাৎখিবা চহী ২গী মতুং ১৯৮৫তা প্রাইম মিনিষ্টরশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং–মনুংশীংগী সেক্যুরিটিগীদমক এস পি জি লিংখৎখিবনি। রজিব গান্ধী হাৎখ্রবা মতুংদা এস পি জি এক্ট অদু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং–মনুংশিং চহী ১০ ফাওবা সেক্যুরিটি পীনবা এমেন্দ তৌখি।

২০০৩দা অতল বিহারি বাজপায়ীনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা, অকিবা পীরকপগী থাক্কী মখা পোন্না সেন্টরনা ৱারেপ লৌরকপা মতুং ইন্না মশানা তানা চহী ১০ ঙাক্নদবা অদুদগী চহী ১দা নৎত্রগা মদুদগী হেন্না হন্থহল্লক্নবা লো অদু অমুক হন্না এমেন্দ তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং খনগৎপা খরখক নৎতনা ইমুং–মনুংগী মীওই ২ হাৎপা য়াওখ্রবা গান্ধী ফেমিলিদা মতম পুন্নমক্তা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী হেন্না ঙাক–শেনবশিংগী মনুংদা য়াওরকখি। অদুবু গভর্ণমেন্ট লিখুনশিংনা ইমুং–মনুং অদুদা এস পি জিগী ঙাকশেনবা লৌথোক্নবগী অচৌবা খোঙথাং অসি চহী ৫ খুদিংগী পাংথোক্কদবা রিভ্যু অমগী শরুক্কি হায়খি।

অগষ্টতা গভর্ণমেন্টনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগী এস পি জি কোভর লৌথোকখি। অসিগুম্বা মান্নবা সেক্যুরিটিসি ঐচ দি দেবি গোড়া অমসুং ভি পি সিংহ হায়রিবা প্রাইম মিনিষ্টরশিং অসিদগীসু লৌথোকখি। অতল বিহারি বাজপায়ীনা ২০১৮দা মহাক শিদ্রিবা ফাওবা ঐস পি জি কোভর ফংখি।

# ইরাননা গল্ফ কোষ্ট মনাক্তা শকখঙদবা দ্রোন কাপথখ্রে

***টেহরান, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

গল্ফ কোষ্টতা লৈবা হিথাংফম বন্দর–ই মাহসহর মনাক্তা শকখঙদবা দ্রোন অমা ইরনিয়ান আর্মিনা ঙসি কাপথখ্রে হায়না ইরানগী সেমি–ওফিসিয়েল আই এস এন এ ন্যু এজেন্সিনা হায়খ্রে।

পাইলোট য়াওদবা এয়ারক্রাফ অদু ইরানগী আর্মিনা লৈবাকসিদা শাজবা মেরসাদ সর্ফেস–টু–এয়ার মিসাইলনা ইরানগী টেরিটোরি মথক্তা কাপথখিবনি হায়না টাস্নিম ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনল্ড ট্রম্পনা ইতিহাসিক ওইরবা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিল অমবু হৌখিবা চহীদা নাকন নাম্মতগীওইনা তোকখিবা অমসুং ইরানগী মথক্তা অকনবা সেঙ্কসনশিং থমজিলকখিবা মতুংদগী টেহরান অমসুং ৱাসিংটনগী মরক্তা ৱাংনা উংখৎনরিঙৈগী মরক্তা থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তাবা অতৈ মরোন অমত্তা পাউগী এজেন্সি অনী অদুনা পীখিদে।



যু এসকী প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা জুন থাদা যু এস দ্রোন অমা ইরাননা কাপথখিবা মতুংদগী ইরানদা মিলিটরি এটেক অমা চত্থনবা ওথোরাইজ তৌখি অদুবু অরোইবা মীৎকুপতা মদু অমুক তোকখি।

মতম অদুদা ইরাননা কাপথখিবা যু এসকী দ্রোন অদু ইন্টরনেসনেল এয়ারস্পেসতা লৈবনি হায়না ৱাসিংটননা কন্না হায়খি অদুবু ইরাননদি মদু ইরানগী ঈশিং লম মথক্তা লৈবনি হায়খি।

লৈবাক অনী অসিগী ৱাথোক অসি সাউদি অরাবিয়ানা পুথোক্লিবা ক্রুদ ওইলগী তঙ্খায় অমা পুথোক্লিবা সাউদি ইনর্জি জাইন্ট অরামকোগী অবাকাইক প্রোসেসিং প্লান্ট অমসুং খুরাইস ওইল ফিল্দদা সেপ্টেম্বর ১৪দা এটেকশিং তৌখিবা অদুদগী অমুক্তা হেন্না লূশিনহল্লকখি।

সাউদি ওইল প্লান্টশিংদা তৌখিবা এটেক অদু য়েমেনগী ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা হৌথি রিবোলশিংনা মখোয়না তৌবনি ফোঙদোকখি। অদুবু এটেকশিং অদুদা ইরানদগী ক্রুজ মিসাইলশিং য়াওই অমসুং মদু লানগী থবক অমা চীংই হায়না ৱাসিংটননা হায়রি।

মদুগী পাউখুমদা ৱাসিংটননা গল্ফতা মিলিটরিগী শক্তি শাগৎলকখি অমসুং ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা গল্ফ ৱাটরশিংদা জহাজশিং চৎথোক–চৎশিন তৌরিবা অদু ঙাকথোক্নবা মখোয়গী খোঙবুশিংগা লোয়ননা ওপরেসন অমা চত্থবা হৌখ্রে।

চহী অসিগী মে থা মতুংদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিদ্দল ইষ্টতা লৈরিবা পার্সোন্নেল ৭০,০০০ অদুগী মথক্তা ১৪,০০০ হাপচিন্দুনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনখি।

# পাকিষ্টান ওপোজিসনগী ইমরান খানদা গভর্ণমেন্ট রিজাইন্ট তৌনবা পূং ৪৮গী অরোইবা মতম পীখ্রে

***ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

পাকিষ্টান গভর্ণমন্টেকী মায়োক্তা চত্থরক্লিবা মীয়ামগী পাকচাওরবা প্রোটেষ্ট অদু নুমিৎ নীনিগী তুংদা অনৌবা মায়োন অমদা লাক্লগনি হায়রদুনা শাথিরবা ক্লেরিক–কম পোলিটিসিয়ান মৌলানা ফজলুর রেহমননা লূচিংবা লৈবাকসিগী ওপোজিসন লূচিংবশিংনা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা গভর্ণমেন্ট রিজাইন তৌনবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা পূং ৪৮গী অরোইবা মতম অমা পীখ্রে।



প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবু ২০১৮ জেনরেল ইলেক্সন অদু 'রিগ্গিং' তৌই হায়বগী মরান শীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর খানগী ফম থাদোক্নবগী দিমান্দ তৌদুনা রাইট–ৱিং জামিয়াত উলেমা–ই –ইস্লাম ফজল (জে য়ু আই –এফ)লূচিংবা অসিনা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা নুমিৎ ৭নি চংশিল্লক্লবা 'অজাদি মার্চ' হায়না খঙনরিবা পাকচাওবা প্রোটেষ্ট অদু লূচিংলি।

ঙরাং নুমিদাং প্রোটেষ্টর লিশিং কয়া অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মৌলানা ফজলুর রেহমননা প্রাইম মিনিষ্টর ফম থাদোক্নবগী ৱাফম খন্নবদা য়াওরোইদবা ওইরবদি ৱারী শান্ননবগীদমক গভর্ণমেন্ট নেগোসিয়েটরশিং লাক্লোইদবনি হায়খি।

ঐখোয়দা লাকপগী মথৌ তাদে। নখোয়না লাকপা মতমদা শক্তি অদু থাদোক্নবগী অনীংবা অমগা লোয়ননা শোয়দনমক নখোয় লাক্কদবনি হায়না মহাক্কী ৱাফম পল্লদুনা জিও টিভিনা হায়খি।

নখোয় হৌজিক চৎকদবা নখোয়গী লম্বী লোয়রে অমসুং নখোয়না মফম অদুদা মখা তানা লৈবা পাল্লিব্রা নৎত্রগা থোক্লক্লগা মীয়ামদা মখোয়গী হক অমুক হন্না পীবা পামব্রা হায়বদু নখোয়না লেপ্পলগদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরদা খূৎদোম্বী থিল্লদুনা মৌলানা ফজলুর রেহমননা হায়খি।

মরকসিদা ওপোজিসনগী রাহবার কমিটিনা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা পীবা শাফু হেনগৎলগনি হায়খ্রে। অজাদি মার্চনা নুমিৎ নীনিগী তুংদা অনৌবা মায়োল অমদা চৎলগনি হায়না সেনিয়ার জে য়ু আই–এফ লূচিংবা অক্রাম খান দুরানিনা হায়খি।

পাকিষ্টান পিপলস পার্টি লূচিংবা ফরহাতুল্লাহ বাবরনা ওপোজিসনা গভর্ণমেন্টপু ঐখোয়গী শাফু মাখাদা থম্লি, মসি অহানবা তাঙ্কক অদুনি হায়খি।

মসিগী মমাঙদা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা গভর্ণমেন্টকী নেগোসিয়েটিং টিমগী মেম্বর অমা ওইরিবা পঞ্জাব এসেমব্লি স্পিকর চৌধ্রি পরভাইস এলাহিনা প্রোটেষ্ট অদু লোয়শিন্নবগী লম্বী অমা ফংনবা ইস্লামাবাদতা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা মৌলানা ফজলুর রেহমনগা ৱারী শান্নখি।

উন্নবা অদুগী মতুং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা স্পিকর এলাহিনা গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসনগী মরক্তা মন্তিক্রুদুনা ৱারী শান্নরিবশিং অদুগী মতাংদা য়াম্না থুনমক লৈবাক মীয়ামদা মহাক্না অফবা পাউশিং পীরগনি হায়খি।

ওপোজিসনগী রেহবার কমিটিগী দিমান্দশিংগী লিষ্টতা ইমরান খাননা ফম থাদোকপা অমসুং আর্মি ফোর্সশিংগী সুপরভিজন য়াওদনা লৈবাক অসিদা অনৌবা মীখল পাংথোকপা অসি য়াওরি। অমরোমদা গভর্ণমেন্টনা প্রোটেষ্ট অদু লোয়শিন্নবা কমিটি অদুদা দিমান্দ তৌখ্রে।

নাকন অমদা পাকিষ্টান আর্মিনা নেসনেল সেক্যুরিটি অমসুং দিফেন্সকী হিরমদা মখোয় য়াম্না থবক চিন্দুনা লৈ। মখোয় প্রোটেষ্টকী পোলিটিক্স অসিদা খূৎ থিংজিন্নবা মতম লৈতে হায়খি। দেমোষ্ট্রেসন অসিদা খূৎ থিংজিনগদ্রা হায়না আর্মি চীফতা হম ন্যুজ চেনেলনা হংবদা আর্মিগী ৱাঙাংলোই মেজর জেনরেল অসিফ গাফুরনা প্রোটেষ্ট অদু পোলিটিকেল এক্টিভিটি ওইবা মরম্না ইনষ্টিট্যুসন অমা ওইরিবা আর্মিনা করিসু তৌনিংঙাই লৈতে হায়খি।

ইমরান খাননা ২০১৪দা হন্দক্কী অসিগা মান্নবা প্রোটেষ্ট অমা তৌখিবা মতমদদি আর্মিনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লৈখি। অদুগা হৌজিক্লা গভর্ণমেন্টপু শৌগৎলি হায়বা ৱাফম অদু মহাক্না য়াখিদে।

# পাকিষ্টাননা কাপশিল্লকপদা লান্মী ১ শিখ্রে

***পূঞ্চ, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পূঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি ইরাই নুমিৎতা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা পাকিষ্টান আর্মিনা সিজফয়ার থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদা ইন্দিয়াগী লান্মী অমা শিখ্রে হায়না আর্মি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লান্মী অমা শিরে হায়বা মফম অদু দিফেন্স পি আর ও জম্মুনসু ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক নোংঙাল্লমদাই পূং ২.৩০রোম তাবদা মখোয়দা কায়হৌবা লৈতনা পাকিষ্টাননা সিজফয়ার থুগাইবা হৌরকখি অমসুং মদুদা ইন্দিয়ান আর্মিনসু খূৎ হন্দুনা মতিকচানা পাউখুম পীখি হায়না দিফেন্স পি আর ও অদুনা হায়খি।

২০০৩ সিজফয়ার এগ্রীমেন্ট অদু ইন্দিয়ানা ঈকাই খুন্ননবা পাকিষ্টানদা হন্না হন্না আপিল তৌখ্রবনি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়াগী আপিল অদু থৌওইদনা অমসুং সিজফয়ারগী য়ানরোল অদু ঙাক্তনা পাকিষ্টানগী ফোর্সশিংনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি)পরিংদা সিজফয়ার মখা তানা থুগাইরক্লি।

# সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরিবা বি জে পিবু গভর্ণরনা কৌরক্ত্রিবা করিগীনো খঙদে ঃ শরদ পৱার



***মুম্বাই, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

এসেমব্লি মীখলগী ফল লাওথোকখ্রবা থাখাই অমগী মতুং ফাওবদা মহারাষ্ট্রদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা মখা তানা মুক্নদুনা লৈরিবসিগী মতাংদা এন সি পি চীফ শরদ পৱারনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টিঁ অদুবু গভর্ণরনা করি মরমগী কৌরক্ত্রিবনো হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ওক্টোবর ২৯গী এসেমব্লি মীখলদা সিট ১০৫ ফংদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরকখ্রবা বি জে পিবু গভর্ণর ভগৎ সিংহ কোসিয়ারিনা বার্তন তৌদ্রিবা করিগুনো হায়বা মহাক খঙদে হায়না শরদ পৱারনা হায়খি।

মহারাষ্ট্রদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা লৈরিবা য়ান্নদবা অসি লোইশিন্নবা পাউতাক করি লৈবগে খঙনন্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামদাস অথাৱালেনা ঙসি মুম্বাইদা শরদ পৱারগা উন্নখি।


উন্নখিবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা এন সি পি লূচিংবা শরদ পৱারনা বি জে পি অমসুং শিব সেনাবু মীয়ামগী মখোয়দা পীরিবা ময়েকশেংবা মেজোরিটি অদু ঈকাই খুন্নবা মিষ্টর অথাৱালেগী খূৎথাংদা মহাক্কী ওইবা মত পীখি।

মহাক্না হায়খি, মহারাষ্ট্রগুম্বা ষ্টেট অমদা অসিগুম্বা ফিভম অমা শাংনা লৈরোইদবনি। অথাৱালেনা মসিদা করি তৌবা য়াবগে হায়বগী পাউতাক পীনবা হায়রকখি। মীয়াম্না বি জে পি অমসুং শিব সেনাদা ময়েক শেংবা মেন্দেট অদু পীরকখ্রে হায়না ঐখোয়না য়ানখি।

প্রসিদেন্ট নৎত্রগা গভর্ণরনা মতম কয়াম শাংনা ঙাইদুনা লৈবা ঙমগদৌরিবনো হায়না মিষ্টর পৱারনা হায়খি। মখোয়না থুনমক ৱারেপ খরা লৌরকপা তাবনি হায়না মখা তাখি।

ঐখোয়গী এদভাইসতি নখোয় (বি জে পি অমসুং শিব সেনা)না মেন্দেট অদু ফংলে। নখোয়না মদু ইনগদবনি। ঐহাক পৱার সহেবকা চহী কয়াদগী নক্নবা মরী লৈনরকখি। ঐহাক্না মহাক্কী পাউতাক লৌনবা মফম অসিদা লাকখিবনি। পাৱারগী মততি শিব সেনা অমসুং বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট শেমগদবনি হায়বসিনি। মহাক্না ঐঙোন্দা পার্টি অনীদুবু গভর্ণমেন্ট শেন্নবা পাউতাক পীরকখি হায়না মিষ্টর অথৱালেনা হায়রকখি।

# বি জে পি অমদি শিব সেনাগগী মরক্তা পৱার সিয়ারিং মান্ননা য়েন্ননবগী য়ানখিবা লৈতে ঃ নিতিন গাদকারি



***মুম্বাই, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি লূচিংবা নিতিন গাদগারিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী পার্টিঁ অমসুং শিব সেনাগগী মরক্তা চীফ মিনিষ্টরগী ফম য়েন্নবা য়াওনা পোর্টফোলিওশিং মশীং চপ মান্ননা য়েন্নবগী মতাংদা দিল তৌনখিবা লৈতে হায়খ্রে।

নিতিন গাদকারিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু মসিগী খোঙবু শিব সেনাগা য়েন্নবগী ৱাফম লৈতে হায়বা পার্টিগী ফিরেপ অদুদগী বি জে পিনা হোংলোই হায়বা ইঙ্গিৎ পীরি।

ঙসি ইরাই নুমিৎতা মুম্বাইদা থুংলখিবা হান্নগী বি জে পি প্রসিদেন্ট অসিনা মহারাষ্ট্রদা শক্তি য়েন্নবগী মতাংদা মহাক্কী পার্টি অমসুং শিব সেনাগগী মরক্তা মুক্নদুনা লৈরিবা অসিদা মহাক্না খূৎ থিংজিল্লোই হায়না হান্না ইঙ্গিৎ পীখি।

অদুম ওইনমক পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়খি, ঐনা ফংলিবা পাউগী মতুং ইন্না মহারাষ্ট্রদা বি জে পি অমসুং শিব সেনাগগী মরক্তা পোর্টফোলিওশিং চপ মান্ননা য়েন্ননবগী দিল তৌখিবা লৈতে।

লৈখিদ্রবা বালাশাহেব থাক্করেনা ফাওবা মতম অমদা শিব সেনা– বি জে পিগী মরক্তা লেজিসলেটর মশীং হেন্না লৈবা পার্টি অদুনা চীফ মিনিষ্টগী ফম পায়নবগী থৌরাং অমগী মতাংদা কন্না ফোঙদোক্লমখিবনি হায়না নিতিন গাদকারিনা নীংশিংখি।

ফম পূন্নমক মশীং চপ মান্ননা য়েন্নদুনা পায়মীন্নগদবনি হায়বা ৱাফম চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা ফোঙদোকখিবনি হায়বা ভিদিও অমবু শিব সেনানা চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু চহী অনীমখায় –অনীমখায় য়েন্নদুনা পায়মীন্ননবগী মখোয়গী দিমান্দ চুম্মি হায়বা উৎনবা শিজিন্নরি।

অদুম ওইনমক হৌখিবা থাদা মেদিয়াগা ৱারী শান্নবদা দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা বি জে পি অমসুং শিব সেনাগী মরক্তা ওক্টোব ২১ এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা অসিগুম্বা দিল অমা তৌনখিবা লৈতে হায়খি।

ফদনাবিসগী ৱাফম অদুনা উদধব থাক্করেনা লূচিংবা পার্টি অদুবু শাওহনখি। মসিগী মথক্তা হৌজিক নিতিন গাদকারিনা চপ মান্নবা ষ্টেটমেন্ট অমা পীখিবা অদুনা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা কন্না মুক্নরিবা শিব সেনা অমসুং বি জে পিগী মরক্তা লৈরিবা য়ান্নদবা অদু অমুক্কা হেলহল্লবা য়ারি।

পাউমীশিংনা হংলকপদা নিতিন গাদকারিনা হায়খি, ঐহাক্না ঙসি কনাগুম্বা পোলিটিসিয়ান অমত্তা উন্নদে, করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি হিরম অসিদা ঐনা খূৎ থিংজিনবা য়াই। ঙসি নুমিদাংৱাইরম মীয়ামগী ফংসন অমা শরুক য়ানবা ঐহাক মফম অসিদা লাকখি।

চিফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিসগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতা ঙসি পাংথোক্কদবা মহারাষ্ট্র বি জে পি লূচিংবশিংগী কোর কমিটিগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অদুনা শরুক য়াগদ্রা হায়বদু শেংনা খঙদ্রি।

অদুবু শিব সেনাদগী বি জে পিনা সিট মশীং হেন্না ফংবা মরম্না চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু বি জে পিনা ফঙ্গদবনি হায়না ঙরাং নিতিন গাদকারিনা ফোঙদোকখিবনি।

ওক্টোবর ২১গী এসেমব্লি মীখলদা সিটি ১০৫ ফংলদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরকখ্রবা বি জে পি অমসুং সিটি ৫৭ ফংখ্রবা বি জে পিগী খোঙবু শিব সেনাগা পূন্না নৎত্রগা তোঙান তোঙান্না গভর্ণমেন্ট অমা শেন্নবা দিমান্দ তৌদ্রি।

মেম্বর ২৮৮ লৈবা এসেমব্লি মীখল অদুদা এন সি পি অমসুং কোংগ্রেস মথংশিংনা সিটি ৫৪ অমসুং ৪৪ ফংখি। এসেমব্লি অসিদা মেজোরিটি ওইগদবা মশীং অসি ১৪৫নি।

# ইমুং–মনুংনা লৈশাবীগা লৈমিন্নরম্বা নুপা ফুরগা হাৎখ্রে

***চান্দিগড়, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

হরিয়ানাগী রোহাতাক দিষ্ট্রিক্টতা খূঙ্গং অমদা লৈশাবী অমগী ইমুং–মনুং মীওইশিংনা মহাক মোতোর সাইকল অমগী মথক্তা নুপা অমগা ফমিন্নদুনা লৈবা থেংনবদগী মশাগী চহী ২০লোম শুরবা নুপা অদু ইমুংগী মীওইশিং অদুনা ফুরগা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ১৫ শুরবী লৈশাবী মচা অদুনা খূঙ্গং অদুদা নুপা অদুগা বাইক অমগী মথক্তা ফমদুনা লৈবদু মহাক্কী ইমুংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

মখোয়না মহাকপু নহা অদুগা ফম্মিনদুনা লৈরম্বা থেংনখিবা অদুদগী মখোয়না নুপা অদুবু অনকপদা লৈবা লৌবুক্তা মখোয়গী ফার্ম হাউসতা পুখি অমসুং মহাকপু চৈতুপনা ফুদুনা য়ান্না থিনা শোকহনখি।

মদুগী মতুংদা লৈশাবী মচা অদুগী ইমুং–মনুংগী মীওইশিং অদুনা নুপা অদুগী ইমুংগী মীওইশিং কৌখি অমসুং মখোয়দা মহাকপু পুদুনা চৎখিনবা হায়খি। অদুমওইনমক মীৎকুপ খরগী তুংদা অশোকপশিং অদুগী মরমদগী নহা অদু শিখি হায়না পুলিস ষ্টেটসন (সদর), রোহাতাককী এক্টিং এস ঐচ ও (ষ্টেসন হাউস ওফিসার) ইনস্পেক্টর জস্বন্ট সিংহনা টেলিফোনদা হায়রকখি।

নহা অদুগী ইমুং মনুংগী ৱাকৎতা য়ুমফম ওইরগা নুপীমচা অদুগী ইমুংগী মীওই খরগী মথক্তা মীহাৎপগী কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি। পুলিসনা মীহাৎপগী কেস লৌখৎখ্রবশিং অদুগী মনুংদা নুপীমচা অদু, মহাক্কী মপা, মপুবোক অমসুং অতৈ মীওই খরা য়াওরি হায়না ষ্টেসন হাউস ওফিসার অদুনা হায়খি।

# পোকখায়বদা মাইন মনুংদা ৩০রোম লৈখ্রে

***বার্লিন, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

নোংপোক থংবা জর্মনিগী টাউন অমদা লৈবা মাইন অমা পোকখায়খিবগী মতুংদা মীওই ৩০রোম ফাওবা মাইন অদুগী মনুংদগী থোক্লককপা ঙমদনা লৈখ্রে হায়না লমদম অদুগী পাউ–চে মেট্রেল দুয়েটজে জৈটুংনা ঙসি হায়খ্রে।

টুয়েটসেন্থার টাউনদা লৈবা মাইন অমগী সেকিওর এরিয়া অমদা মীওইশিং অদু থোক্লককপা ঙমদনা লৈরি হায়না পাউ অদুনা হায়রি।

হায়রিবা টাউন অদু বার্লিনগী খা নোংচুপতা কিলোমিটর ১৫০রোম লাপ্পা হেল্লে সিটিগী মপান্দা লৈবনি।

# জপানিজ পোলিটিসিয়ান পূন্সিচুপ্পগী চৈরাক পীখ্রে

***বৈজিং, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

খা থংবা চিনাদা কোর্ট অমনা চহী ৫ শুরবা দ্রগ ট্রাফিক্কিং কেস অমদা ঙসি অহল ওইরবা হান্নগী জাপানিজ পোলিটিসিয়ান অমবু মপূন্সি চুপ্পগী জেলগী চৈরাক পীখ্রে।

আফ্রিকাগী লৈবাক মালিদগী অতোপ্পা মীওই অমদা চহী ২গী রিপ্রাইবকা লোয়ননা শিবগী চৈরাক অমসুং গিনিয়াদগী মীওই অমবুসু মপূন্সিচুপ্পগী চৈরাক পীখ্রে। মপূন্সিচুপ্পগী জেলগী চৈরাক পীখ্রবা মশাগী চহী ৭৬ শুরবা তাকুমা সাকুরাগি কৌবা মীওই অসি ময়াই থংবা জপানগী আইচিদগী হান্নগী সিটি এসেমব্লিমেননি।

গুৱাংঝৌ সিটি ফার্ষ্ট ইন্টরমেদিয়েট কোর্টকী মতুং মহাক্কী লগ্গেজদা ইলিগেল ষ্টিমুলেন্ট



কিলোগ্রাম ৩.৩লোম পুরম্বদগী মহাকপু ২০১৩দা ফাখিবনি।

সাকুরাগিনা মহাক মরান লৈতে হায়খি। মহাক্না পায়রিবা সুটকেষ্ট অদু মাগা লোয়নবা নাইজেরিয়ান অমনা মঙোন্দা মদু পুনবা হায়রকখিবনি হায়খি।

দ্রগকা মরী লৈনবা মরানশিংগীদমক হেক হেক পীরিবা শিবগী চৈরাক্তগী চিনাগী আইননা চহী ৭৫ শুরবা মীওইশিংবু কোমথোকই।

চৈরাক পীখিবা অতৈ মীওই ২দুদি মালিগী সিটিজন অমা ওইরিবা আলি অমসুং গিনিয়াদগী মোকসি কৌবা মীওইশিং অসিনি।

চহী অনীগী রিপ্রাইবশিংগা লোয়নবা শিবগী চৈরাকশিং মতম পূন্নমক্তা জেলদা মপূন্সিচুপ্পগী চৈরাক ওইনা তেনশিলহল্লি।

কেস অসিদা চেন্নবা অতৈ মীওইশিং ওথোরিজিনা থিনবা হোৎনবদা সাকুরাগিগী কেস অসিগী রাই পীবা মতম থেংথরকখিবনি হায়না জাপানিজ মেদিয়ানা হায়খি।

# শার্কনা চাখ্রবা মীওই, মাগী হকচাংদা শিবা লুহোংবগী খুদোপ অমদগী মাগী নুপীনা মশক তাকখ্রে



***লন্দন, নবেম্বর ০৮(এজেন্সি)ঃ***

বৃটিস টুরিষ্ট অমা মহাক্কী নুপীগী ৪০শুবা মপোক নুমিৎ পাংথোক্লবা লকজরি ট্রিপ অমা চৎপদা খুদোঙথিবা থোক্তবা লেগুন অমনি হায়না লৌনবা অদুদা ঈরোইবদা শার্ক অমনা চাথোকখ্রে থাজনরি হায়না ঙসিগী পাউ অমনা ফোঙখ্রে।

মীওই অদু এদিনবর্গতগী রিচার্দ মার্টিন টরনর কৌবা সিভিল সার্ভেন্ট অমনি। রিয়ুনিয়ন আইলেন্দ মনাক্তা ঈরোইবদা মহাক শার্কশিংনা চাখিবনি হায়না ইন্দিয়ান ওসিনদা ফ্রেঞ্চ দিপার্টমেন্ট অমনা হায়খি। মফমদুদগী কোন্না শার্ক ৪ ফাখি।

য়ামদ্রবদা ফুট ১৩ শাংবা টাইগর শার্ক অমগী চাকখাও মনুংদা মহাক্কী চপখায়রবা মকোক অমসুং মখূৎ ফংখি। মাগী হকচাংদা শিরম্বা মাগী লুহোংবগী খুদোপ অদুদগী মহাক্কী নুপীনা মাবু মশক খঙবা ঙমখি। শার্ক অদুগী পুক্নুংদা য়াওরিবা অতৈ হকচাং শরুকশিং অদু টরনরগীরা হায়না চপচানা খংনবা দি এন এ টেষ্ট শিংসু পাংথোক্লি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-294**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | 4 | | | 1 | | 5 |
| 3 | 4 | | | 2 | | | 7 | |
| | 5 | 2 | | 9 | | | 4 | |
| 2 | | 9 | 1 | | 4 | | | |
| | | 5 | 6 | | 2 | | | 9 |
| | 6 | | | 7 | 5 | 2 | | |
| | | 4 | | | 9 | 5 | | |
| | 7 | | | | | | 9 | 2 |
| 6 | | | 2 | | | 7 | | |

**সনা–সুদোকু – ২৯৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 2 | 8 | 5 | 7 | 9 | 1 | 6 |
| 9 | 6 | 7 | 3 | 2 | 1 | 5 | 8 | 4 |
| 5 | 8 | 1 | 4 | 6 | 9 | 7 | 3 | 2 |
| 2 | 5 | 9 | 7 | 1 | 4 | 8 | 6 | 3 |
| 7 | 3 | 6 | 5 | 8 | 2 | 4 | 9 | 1 |
| 8 | 1 | 4 | 9 | 3 | 6 | 2 | 5 | 7 |
| 6 | 9 | 5 | 2 | 7 | 3 | 1 | 4 | 8 |
| 1 | 2 | 8 | 6 | 4 | 5 | 3 | 7 | 9 |
| 4 | 7 | 3 | 1 | 9 | 8 | 6 | 2 | 5 |

## GAS TODAY

**Impbal LPG**
Booking : 25/10/19
Valid :22/10/19
Sl. No. :2069
Stk :306- 19kg & 5kg Avail
Time :From 08.30 a.m.

**GBD Indane**
Booking : 06/10/19
Valid :01/10/19
Stk :612
Time :07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Canchi Indane Service**
Booking : 09/10/19
Valid :05/10/19
Stk : 612, 19kg & 5kg Available
Time :08.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 07/10/19
Valid :05/10/19
Sl. No. :5531 to 620
Stk :306
Time :07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 12/10/19
Valid : 09/10/19
Stk :306
Time :07.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Time :08.00 to 10.00 a.m.
19kg Available